ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী)গী ওবজার্ভর প্রদ্যুট বোর্দোলোয়না ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিস বিয়াররশিংনা তরাম্না ওকখিবা

মণিপুর পোষ্টেল দিভিজন্না শীন্দুনা এম এল এ মোইরাংগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা মোইরাং ফিগী ওইবা পোষ্টেল স্পেসল কভর ফোঙখিবা

Manipur Postal Division

এসোসিএসন ওফ মণিপুরী দাইস্পোরা (অমন্দ) পুনেনা শীন্দুনা ভর্চ্যুএল মোদতা পাঙথোকখিবা ১০শুবা এ জি এম কম এন্যুএল কলচরেল প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিং

Melei Charong
10TH AGM CUM CULTURAL EVENING 2021 (ONLINE EVENT)

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি কুম্বী লোকেল কাউন্সীলনা শীন্দুনা খোঙবু মঙা হরাওথেল, কুম্বী তেরাখাদা পাঙথোকখিবা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম

১২৫শুবা জননেতা ইরাবত নিংশিং কুমওন পালন - ২০২১

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ঙসিগী নহারোলশিং অনম-অহা চুহনবীরে : হেমন্ত

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং-তেন্থা য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি অমদি মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস অনীনা শীন্দুনা ৱাংজিং-তেন্থা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তগী য়ুমদা ঙরাংদগী য়ুথ মেম্বরশিপ ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম অমা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেসকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস ঐচ জোন্নিনা হৌদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এম পি ৱাই সী সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জোন্নিনা হায়খিবদা, ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা চহী ১৮দগী ৩৫ ফাওবদা লৈরিবা নহাশিংবু পাক্তক্লনা ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেসতা মিং চনবগী শরুক অমা ওইনা ইনরোলমেন্ট দ্রাইভ অসি পাঙথোকপনি হায়রদুনা য়ুথ কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন ২০২২সু এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরকউ হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ঙসিগী নহারোলশিংবু অনম-অহা চুহনবীরে। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থবক লৌবদি য়াই হায়দোকপদি য়াদে হায়বা অসিদি চাক থোংবদি য়াগনি চাবদি য়ারোই হায়বগা চপ মান্নরে। এগজামদি থাউ রিজল্ট হায়দোকপদি য়াদে হায়বা লৈঙাক্কী ওর্দর অসিনা ঙসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু ৱাখল লায়না নাহল্লে। থবক লৌবগী ইন্টর্ভ্যুথা অমগী মনুংদা হায়দোক্কনি হায়না লৈঙাক অসিনা মখৌ পোংনা লাউথোকখ্রগা তুমীন্না লৈশিল্লিবা অসি লৈঙাক অসিনা নহারোলশিংবু নুংশিবগী খুদম নত্তে হায়রদুনা নহাশিংগী খন্দ্রবা বি জে পি লৈঙাক অসি লাক্কদৌরিবা জেনরেল এসেম্ব্লী ইলেক্সন অসিদদি পারা তন্বীবা মথৌ তারে হায়খি।

থৌরম অদুদা এম পি ৱাই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ইনরোলমেন্ট ইন-চার্জ এম দি অমিদ খান, ষ্টেট মীদিয়া কোওর্দিনেটর মালেমখোন্বা, ৱাংজিং তেন্থা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গোপেশ্বর অমসুং এদভাইজর এল শ্যামোসু শরুক য়াখি।

মহৈশঙশিংগী কেম্পস লূ-নান্না থমগদবনি : এদ্যুকেসন মিনিষ্টর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মহৈশঙশিংগী কেম্পস অমদি অকোয়বগী মফমশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা লূ-নান্না থমগদবনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এন রাজেননা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি এম য়ু)গী ফীভম য়েংশিনখিবা খোঙচৎতা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, মহৈশঙশিং অসি মহৈরোয়শিংগী লাইশঙনি। মহৈশঙশিং অসি লূ-নান্না থল্লবা মতমদা অফবা ৱাখল্লোন অমদি লৌশিংগী মঙাল ফংগদৌরিবনি। মহৈরোয়শিংনা মহৈ তমগদৌরিবা মহৈশঙশিংগী অকোয়বগী মফম লূ-নান্না থন্বা হায়বসি মহৈশঙ অদুগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী থৌদাংনি। মহৈশঙশিং লূ-নান্না থন্বনা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তন্বদা পূক্নিং চঙগদৌরিবনি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা হৌজিক হৌজিক শেমগৎশাগৎলিবশিং অসি অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি। কেম্পস অসিগী ব্লোক খরদি লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা শেম-শাবা লোইদুনা শঙ্গাননবা থৌরাং তৌরি। মরী লৈনবা এজেন্সীশিংনসু অথুবা মতমদা শেম-শাবগী থবকশিং লোইশিনগদবনি হায়না মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী এদমিসনগী ইস্যুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর রাজেননা হায়খি, কোলেজ অসিগী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এদমিসন প্রোসেস অসি ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইদ্রে হায়বগী কমপ্লেন্ট লাকই। এদমিসন প্রোসেস অসিদা মেন্যুপোলেসন তৌখিবরা হায়বদু য়েংশিন্ননবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে। অথুবা মতমদা মেটর অসি সেটল তৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এ আই সী সীগী ওবজার্ভর থুংলরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা চাউনা মায় পাকহন্ননবগীদমক মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না মীখলগী থৌরাং তৌরিবশিং অসিবু য়েংশিননবগীদমক ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী)গী ওবজার্ভর প্রদ্যুট বোর্দোলোয় ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এ আই সী সীগী লুচিংবা প্রদ্যুট বোর্দোলোয়না হায়খি, হৌখিবা মতমদা মণিপুরদা কয়ারক হন্না লাকখ্রে। অদুবু ঙসি লাক্লিবা অসিদি এ আই সী সীগী ওবজার্ভর ওইনা খল্লবা মতুংদা লাকপা অহানবনি। লাক্লিবা মণিপুরগী এসেম্ব্লী মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা চাউনা মায় পাক্নলা লৈঙাক শেমগনি। হৌখিবা এসেম্ব্লী মীখলদা কোংগ্রেসনা খজিক্তদা মায়থীদুনা লৈঙাক শেম্না ঙমহৌদবনি। লাক্লিবা মীখল অসিগীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা চপ চানা থেংননবা শেম-শারে। খোঙচৎ অসি কোংগ্রেসকী ফেমিলি উনবা লাকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এদমিসন টেষ্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরী এন্দ ইনফর্মেসন সাইন্সতা এম এল আই এস অহানবা সেমিষ্টর তম্নবগীদমক এদমিসন টেষ্ট লাক্লিবা ওক্টোবর ৩গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ন্যু সোসল সাইন্সেস ব্লোক্তা ওফলাইন মোদতা পাঙথোক্লগনি। এদমিসন টেষ্ট অসিগী ইলিজিবল ওইরবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌরে। কেন্দিদেটশিংনা মশা-মশাগী এদমিট কার্দশিং এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনখিবা মতমদা শীজিন্নখিবা লোগইন আই দি অদু শীজিন্নরগা এদমিট কার্দ দাউনলোদ তৌবসু য়াগনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদনা খঙহল্লক্লি।

থাজিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী একাদেমীক সেসন ২০২১-২২গী মিংজন চাংয়েংগীদমক ওনলাইনগী খুত্থাংদা ফোর্ম থাজিল্লকখ্রবশিংগী মনুংদা এপিয়রিংশিংগীনা অহানবা সেমিষ্টরদগী মরিশুবা সেমিষ্টর ফাওবগী মার্কসিট অমসুং তরুকশুবা সেমিষ্টরগী এদমিট কার্দ, বি এ পাস তৌখ্রবশিংগীনা তরুকশুবা সেমিষ্টর ফাওবগী মার্কসিট অমসুং সর্টিফিকেটশিংগী সেল্ফ এষ্টেষ্টেদ জেরোক্স কোপী অমমম ওক্টোবর ১ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা থাজিল্লক্লবা খঙহল্লি। দোক্যুমেন্টশিং অসি ওক্টোবর ১গী ওফিস অৱরগী মতমদা দিপার্টমেন্টতা থাজিল্লক্লবদি মতুং তাবা ৱাকৎ লৌরোই হায়না এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর তোইজম তম্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

হিরোইন গ্রাম ৯১২গা কোন্ননা ১ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবা মতমদা নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস মণিপুরগী টিম অমনা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী শুগুনু অমদি চকপীকারোং এরিয়াদা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা নুপা অমা ময়াই কাবা চীঙাক হিরোইন পাউদর গ্রাম ৯১২ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, এন এ বিনা হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিং বেঙম নুলা (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ভোলহলুৱাং নুলা কৌই। মহাক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোং খুলদা লৈবনি। মহাক্না চান্দেল লম্বীগী তৌপোকপী সেন্ট্রেদগী ফাবনি। মহাক্না সাপোন কেপ ৭৩দা হিরোইন গ্রাম ৯১২ অদু পুরগা লাকপদা ফাবনি। মহাক মখা তানা থিগৎনবা চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): জননেতা হিজম ইরাবতকী থাবুম অমা চুপ্পা চথবা নীংশিং কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, কুম্বী লোকেল কাউন্সীলনা শীন্দুনা ইবুধৌ খোংবু মঙা হরাওথেল, কুম্বী তেরাখাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবা কমরেদ ডা. এম নর, ষ্টেট সেক্রেটরি, এম এস সী, সী পি আই কমরেদ এল সোটিনকুমার, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি বিষ্ণুপুর এম এস সী, সী পি আই কমরেদ কে বিমোল, লোকেল সেক্রেটরি, কুম্বী লোকেল কাউন্সীল সী পি আই কমরেদ এল রামো, ভেটরান কম্ম্যুনিষ্ট, কুম্বী লোকেল কাউন্সীল সী পি আই কমরেদ এস লৈরেনতোন, ভেটরান কম্ম্যুনিষ্ট, কুম্বী লোকেল কাউন্সীল সী পি আই কমরেদ কে ঐচ মনি, সেক্রেটরি ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক কে ঐচ গ্যানেশোর, সেক্রেটরি আর এস পি, কে মনোরঞ্জন, সেক্রেটরি সী পি এ কমরেদ শান্ত, সেক্রেটরিয়েট মেম্বর সী পি এ কমরেদ শরত সলাম, প্রসিদেন্ট এন সী পি ইবোয়াইমা, ভাইস প্রসিদেন্ট এম পি সী সী, টি মঙ্গিবাবু অমদি সোসল ৱার্কর এন ইবোহল মৈতৈনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা জননেতা ইরাবতকী ফোটোদা লৈশু কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা ইরাবতকা লোয়নরম্বা অহলশিংগী ফোটোদসু লৈ কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. এম নরনা হায়খিবদা, চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর ১দগী ৩০ ফাওবা থাবুম অমা চুপ্পা ইরাবতকী থৌরম অসি মফম অসিদা তৌরিবনি। সেপ্টেম্বর থা অসিদি সেলেব্রেসন অসি তৌদুনা লাকই। হৌরকপদদি কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি খক্লা তৌরম্মী। অদুবু চহী খরসিদদি মালেমগী মফম কয়াদা পাক্তক্লনা তৌনরক্লে। সেলেব্রেসন কম্ম্যুনিটিগী চ্যেরমেন ওইনা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাক চাউনা তৌদুনা মহাক্কী পুন্সি অমসুং তৌরম্বা থবকশিং নৈনরকপা অসি য়াম্না নুংঙাইজে। ইরাবত অসি য়েৎনবা লৈতনা ঐখোয়গী লুচিং পুরেলনি হায়বসি মীয়াম্না পীরিবা মিংথোল অমনি। মহাক্না নুপী লাল লমজিংলুবগী, লৌমী-শিন্নগী দিমান্দ কয়া খোঙজং চঙশিন্দুনা ফংহনখিবগী মীয়াম্না জননেতা হায়বা মিংথোল অসি ফংখিবনি। ঙসিদি মহাক্কী ৱাখল্লোন হীরম কয়াদা মীয়াম্না খঙনরে। ঙসি লৈরিবা মণিপুরগী কন্টেক্সতা ইরাবতকী ৱাখল নৈনবা নত্তনা অতে নৈননিংঙাই লৈতে। লোল, লাইনিং-লাইশোল খেন্নরবসু ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নদবা য়াদে হায়বসি ইরাবতকী খোল্লাওনি। শুর-নোঙ্গলগা হিংবা ঐখোয়দি পুল্লু, অপূনবনা জয়নি হায়বসি কাউবা য়াদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মোইরাং ফিগী স্পেসল কভর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী পুৱারীদা মুৎপা নাইররোইদবা মোইরাং ফি হায়না খঙনরিবা ফি ময়েক অসিগী ওইবা পোষ্টেল স্পেসল কভর অমা ঙসি মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা ফোঙখ্রে।

মণিপুর পোষ্টেল দিভিজন অমদি এম এল এ মোইরাংগী ওফিসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ,পি শরতচন্দ্র, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট মণিপুর দিভিজন এল টিকেন, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এক্স-কাউন্সীল্লর এন ইবোমচানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা পোষ্টেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ঙসি মোইরাংগী মশক নাইবা মীওইশিং অমদি মোইরাংগী নিঙোল পুন্নমক্কী মরক অসিদা ঐখোয়গী মশক তাকপা মোইরাং ফি হায়বা অসি ঙসিদগী হৌনা ইন্টরনেসনলগী ওইরে। মোইরাংখক্তগী ওইদ্রে। পোষ্টেল স্পেসল কভর ওইরে। অসিগুম্বা মোইরাং ফি অসিখক্তা নত্তনা অতোপ্পা পোৎশকশিংসু পুথোক্নবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নরসি। অসিগুম্বা পুৱারীগী ৱারী লৈজবা মোইরাং ফি হায়বা ময়েক অসি মালেমগী থাক্তা মশক খঙননবা পোষ্টেল সর্ভিসনা তৌবীরকপা অসিমক য়াম্না লাইবক ফবনি। মালেমগী মীয়ামদা মণিপুর পোষ্টেল দিভিজন্না অসুম্না মোইরাং ফি মশক তাক্নবা হোৎনবীরকপা অসিগীদমক থাগৎচরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট এল টিকেননা ফোঙদোকখিবদা, মোইরাং ফিগী ওইবা স্পেসল কভর অমা ঙসি ফোঙখিবা অসিনা মোইরাং ফি অসিবু হেন্না মশক খঙহনবা ঙম্লগনি। ষ্টাম্প কল্লেক্সন তৌবা কাঙবুনসু হেন্না থিরক্লনি হায়খি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মীয়ামগী লুচিংপুরেল জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক থাগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন (এ আই ৱাই এফ)কী লীচিং মখাদা ৯শুবা ষ্টেট লেভেল ব্লদ দোনেসন কেম্প ঙসি ব্লদ বেঙ্ক ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিট জেনিমস, ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে হায়না এ আই ৱাই এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি কে ঐচ হিমালয়গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী ৯ চুপ্পা লেপ্তুনা চত্থরকপা ঈ কৎপগী থবক অসি খুন্নাই অসিদা মরাইবক থীরবা মরুওইনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরিবা মীওইশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা ঈগী মথৌ তারকপশিংদা খরা খজিক মতেং তৌবা ঙমগনি হায়বগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মখা তানা ব্লদ বেঙ্ক ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিট জেনিমস, ইম্ফালগা খুৎশম্নরগা ঈ কৎপগী থবক অসি চহী খূদিংগী লেপ্তুনা চত্থিগনি। লোয়ননা ঈ কৎপা লাকখিবা পুন্নমকপু এ আই ৱাই এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা অমসুং থাগৎচবা ফোঙদোরক্লি হায়রি।

লোকেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): কোন্থৌজম লোকেল কম্মিটি, কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট)কী ১৯শুবা কনফরেন্স ঙরাং কৈথেলমানবীদা ভেটরান কম্ম্যুনিষ্ট লিদর অবুজম য়াইমনা অঙাংবা ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অসিদা সী পি আই (এম) মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইরিবা ফীভম অসিদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লৌমী অমসুং শিন্মীশিংগী মায়োক্তা থবক কয়া অমা চত্থরক্লি। মসিদগী ঐখোয়না ঙাকথোকপা ঙম্ননবা খোঙজং কয়া মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম খূদিংমক্তা চঙশিল্লি। খোঙজং অসি ঐখোয় খূদিংমক্লা শরুক য়াদুনা চঙশিনবা তঙাইফদে হায়খি।

কনফরেন্স অসিদা মীওই তরেৎনা শাবা লোকেল কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়ননা কমরেদ পোৎশংবম গোকুলবু লোকেল সেক্রেটরি ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ১৯শুবা মণিপুর ষ্টেট কনফরেন্সতা শরুক য়ানবা দেলিগেট অহুমসু খনখি হায়রি।

মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০০০গী সেপ্টেম্বর ২৮দা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) অমসুং নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি (নিপকো)না শীন্দুনা মণিপুরদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ-কাঙলুপ ৩৯ শুনা য়াওদুনা সাউথ এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুবু নীংশিংদুনা ঙসি ২১শুবা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দে থৌরম এমসুগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর পি বিশম্ভোরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন এল ঙানবী লৈমা, ৱার্কিং চ্যেরমেন টি ঐচ মনিহার, আই এম এস সী ও এমগী প্রসিদেন্ট মোমসোকান বাপুই অমসুং য়ু পি এফকী হান্নগী প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এম অনীনা মণিপুরগী ঙমখৈ, অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা চত্থরকপা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না মণিপুরগী ঙমখৈ থুগায়বা য়ারোই, অপূনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা অমসুং পূক্নিং থৌগৎখিবা পুন্নমকপু তৌবীমল খঙবা উৎপা নুমীৎ ২১শুবা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি এন্দ সোলিদরিটি দে ২০২১ অসি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ হায়বদি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, চুড়াচান্দপুর, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু অমকিল অমদি নিপকোগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরগী এপোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা গো টু হিলসকী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবা জেলিয়াংরোং বাউদিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এদভাইজর অথুৱান অবোনমাইবু শকখঙদবা মীওই খরনা ফাদুনা পুখ্রগা মীওইবগী মীনুংশি অমত্তা য়াওদনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্ববু ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভেলপমেন্ট সোসাইটি অমদি ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ওর্গনাইজেসন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি জেনরেল মোহম্মদ অলতাফ হুসেননা থাদোরকপা অসিনা হায়, মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং অথুবদা ফাদুনা মরালগী মতুংইন্না চপ চাবা চৈরাক ফংহনবীয়ু। অথুৱান অবোনমাইবু ফাদুনা পুখিবা মতমদা মফম অদুদা দ্যুটি তারিবা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা য়েংদুনা লৈহৌরবা মতুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ চৎখিবা লম্বীগী মফম অমদা তমথিনা হাৎলগা থল্লম্বা অসি মীওইবগী ৱাখল খন্দবা থৌওংনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। চীফ মিনিষ্টরগী মীটিং য়াওবা মীওই অমবু ফাদুনা হাৎপা ঙম্লবদি মীচম মীয়ামগীদি করম্না তৌগনি। মীহাৎ অসিগী মতাংদা মণিপুরগী মথৌনা লৈরবা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাবা ফাওবা ঙম্বা ষ্টেট ফোর্সনা মরাল লৈবশিং অদু থিদোক্তুনা ফারগা লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনবীরবদি লৈঙাক অসিবু মণিপুরগী মীয়াম্না অদুক্কী মতিক থাগৎকনি। লোয়ননা ষ্টেট ফোর্সশিং অসিবুসু শীংথানগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

‘লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৬তা দেপ্যুটি সী এম লৈরিবা এ সীগী ভি দি এফ মেম্বরশিং অমদি ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী থৌমীশিংনা হৌজিক হৌজিক ভি দি এফশিংগী আর আর শেম্বগী মতাংদা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (হোম) দগী দি জি পিদা কম্মেন্ট পীরক্লনবা খঙহনখিবগী মতাংদা দেপ্যুটি সী এম মশা উনদুনা সপোর্ট তৌবীননবা হায়জবদা পোজিটিভ রেস্পোন্স পীরকপগী মহুৎতা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া হায়রকখিবা অসি লাইবক থীবনি। ৱাফম অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না লুম্না লৌবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল কম্মিটিনা ঈহৌ চঙশিন্ননবা লৌরকপা ফিরেপতা শৌগৎকনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে বিক্রমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এন্যুএল কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): এসোসিএসন ওফ মণিপুরী দাইস্পোরা (অমন্দ) পুনেগী ১০শুবা এ জি এম কম কলচরেল এন্যুএল প্রোগ্রাম (মেলৈ চরোং) ঝুম ভিদিও কনফরেন্স তৌদুনা ভর্চ্যুএল ওইনা পাঙথোকখ্রে হায়না অমন্দ পুনেগী ভাইস প্রসিদেন্ট কুল্লবিধু চনমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর টুরিজম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট য়ুরেম্বম ইবোয়াইমনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং এসোসিএসন ওফ মণিপুরী দাইস্পোরা (অমন্দ) পুনেগী প্রসিদেন্ট এন গিরিধরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা অমন্দ য়ং এচিভর্স এৱার্দ ২০২১সু পুনেদা মহৈ তল্লিবা মণিপুরী মহৈরোয় ১৯দা খুৎশিন্নখি। পুনেদা লৈবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী মনুংদা একাদেমীক য়র ২০২১গী দিগ্রী এগজামদা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা ঙমখিবা ওলিভিয়া থোকচোমদা লেট অলবর্ট মেমোরিএল এৱার্দসু খুৎশিন্নখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মরিশুবা অমন্দ টেলেন্ট হন্থসু পাঙথোকখি।

থাঙ-তাগী সর্টিফিকেটশিং শকখঙবীননবা অমদি ওজাশিং হাপ্পীননবা অথুবদা থবক পায়খৎপীয়ু : কিমাক্স

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না থাঙ-তাগী সর্টিফিকেটশিং শকখঙবীননবা অমদি ওজাশিং হাপ্পীননবা অথুবদা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়ল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কিমাক্সকী গেম এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি নাওরেম বিশ্বর্জিৎ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, স্পোর্টস গেম অমা ওইনসু শকখঙলবা মণিপুরগী থাঙ-তা মশান্নদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল থাক্কী সর্টিফিকেট পায়বা অমদি মেদলশিং লৌরক্লবা শান্নরোয়শিংবু মণিপুর লৈঙাক্কী থবক-ইনখাং অমদি স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিদা মিং চনবগী রিজার্ভেসন অমসুং অখন্নবা খুদোংচাবশিং পীবগী থৌরাং থৌশিল অথুবদা লৈঙাক্না পায়খৎপীয়ু। মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা থাঙ-তা হায়বা কাঙলোন অসি হৌজিক্কী মতমদা স্পোর্টস গেম ইভেন্ট অমা ওইনসু মণিপুর মনুংদতা নত্তনা ইন্দিয়া অমদি মালেমগী লৈবাকশিংদা য়াম্না পাম্নবা মশান্না অমা ওইরক্লি। অদুবু থাঙ-তাগী মশান্নদগী ফংলকপা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী সর্টিফিকেট অদু মণিপুর লৈঙাক্না শকখঙবীদনা চন্নফম খঙদনা থন্বীরি। মণিপুর থাঙ-তা মশান্নদগী হেন্না চাউখৎপসু ওইদ্রিবা তামিল নাদুগী সিনলম্বম মশান্নদি তামিল নাদু লৈঙাক্না ত্রেদিসনল মার্সেল আর্ট স্পোর্টস গেম অমা ওইনা শকখঙবগা লোয়ননা সিনলম্বম মশান্নদগী ফংলকপা স্পোর্টস সর্টিফিকেট অদু ষ্টেট পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনদা থবক চঙবগী চাদা ৩ রিজার্ভেসন হাপ্পুনা থম্নবা লাউথোকখ্রে। লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক চঙবগী রিজার্ভেসন, স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিশিংদা মিং চনবগী রিজার্ভেসন চাদা ৩ পীখ্রে। মসিগীসু মথক্তা সিনলম্বম মশান্নবু পাম্না শান্নরিবা শান্নরোয়শিংগীদমক ট্রেনিং সেন্টর কয়ামরুম হাংদোকখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুর থাঙ-তাদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল থাক্তা মেদল ফংলক্লবা শান্নরোয়শিংবু হোম দিপার্টমেন্টকী থবক লৌবদা ফাওবা চন্নফম খঙদনা শকখঙবীদনা ঙসি ফাওবা থন্বীরি।

মণিপুরগী থাঙ-তা অসি মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ১৯৯৮তা স্পোর্টস গেম অমা ওইনা শকখঙখি। ষ্টেটকী স্পোর্টস গেম অমা ওইনা শকখঙখ্রবা মতুংদা থাঙ-তাবু য়োকখৎনবা হোৎনরিবা থাঙ-তাগী ওজাশিং অমদি মসিবু য়োকখৎপা পাম্বশিংনা স্পোর্টস গেম অমা ওইনা য়োকখৎনবা অখন্নবা থবক লৌখৎতুনা লাকপনি। থাঙ-তা মশান্নগীদমক ইন্দিয়াগী ওইনা স্কুল গেম মিট ১১রক পাঙথোকখ্রে। নেসনল চেম্পিয়ন্সিপ ওইনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট পুন্নমক্লা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন্সিপ ২৬, ইন্টরনেসনল চেম্পিয়ন্সিপ ৫, ৱর্ল্দ চেম্পিয়ন্সিপ ১ অমসুং ফেদরেসন কপ ৯লক পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা থাঙ-তা মশান্নবু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০২০দা ইন্দিজিনস মার্সেল আর্ট গেম ওইনা ফেল্লো ইন্দিয়াদা য়াওহনখ্রে। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্নদি করিগুম্বা থৌদাং অমত্তা লৌবীদ্রি। থাঙ-তা চাউখৎহন্নবগীদমক চহীগী ওইবা চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সেল আর্ট মীট পাঙথোকপীবগা লোয়ননা থাঙ-তাগী লোয়শঙশিং হিঙ্গৎহনবীবা অমসুং হৌরক্লিবা তুংগী য়ুম্বী খূদিংমকপু থাঙ-তা হৈহন্নবগী পান্দম থন্বীরি। মরম অসিনা থাঙ-তাগী সর্টিফিকেটশিং লৈঙাক্না শকখঙবীবা অমদি স্কুলশিংদা ওজা হাপ্পীবগী খোঙথাং অসি অথুবদা পায়খৎপীননবা কিমাক্সনা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

তোঙান-তোঙানবা লূপনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): অইবা লাইমুজম রামেশচন্দ্রনা লৈখিদবদা খোরিরোলগী য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লূপনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল)গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আই এস য়ুম্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈ খোরিরোলগী তাইবংদা অরংবা থৱানমিচাক অমা ওইনা মণিপুরগী নোংপোকথংবা চিংদাই য়াইঙংপোকপীদা মদোম তরক মঙাল নাইনা ঙাল্লম্বা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন মণিপুর চেপ্টরগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্বা অইবা লাইমুজম রামেশচন্দ্রনা ইখঙ খঙহৌদনা ঙরাং সেপ্টেম্বর ২৭তা লৈখিদবদা নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল) য়ুরেম্বমনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. শশীকুমার য়ুরেম্বমনা লুচিংদুনা ঙসি অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা লূপ অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল)গী সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, গুগল মীটকী খুত্থাংদা ঙসি ইমাখোল অৱাং পোৎশংবমগী এগজিক্যুটিভকী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিনা লমদমসিগী খোরিরোলগী লমদা লিশাং শিৎনা অচৌবা থৌদাং য়াবীরম্বা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা অইবা লাইমুজম রামেশচন্দ্রনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ইমাখোলগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচরি। মীফম মপু ওইবীখিবা লূপকী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা, লৈখিদ্রবা অইবা রামেশচন্দ্র খোরিরোলদা থৱায় লূপচবা, মতম পুন্নমক্তা খোরিরোলগী চাউখৎনবতা হোৎনবীরম্বা অইবা অমনি হায়খি। লোয়ননা ইমাখোলগী মেম্বরশিংনসু মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক ইরাবত পার্ক লম্লাইদা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি লম্লাই লোকেলনা শীন্দুনা মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা লাইমুজম রামেশচন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবা মীফম অমা পার্টিঅসিগী ষ্টেট লুচিংবশিং য়াওনা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা অইবা অসিনা লৈখিদবদা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্লা লৈখিদবা অসি সী পি আইগী চাউনা মাঙজবা অমনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।